HUEIYEN LANPAO

"করিনো তাইবঙ? করিনো পুন্সিগী মশক? তশেংনমক, অওইবগী মখোয়গী মরমদা খঙবসি য়াম্না ৱাই।" - *পাচা মীতৈ (না তাথীবা অহল অমা)*

# শৈরেং

## ঐগী মরুপ

**—লুখোই লাইশ্রম**

মরুপনি নঙদি নুংশিরবা
মরুপনি নঙদি কান্নরবা
পাঙ্গল থৌনা লৈবনি
তৌঙমদবা লৈতবনি নঙনা।
মীগী কান্ননবা তৌবদা
চোকথবা লৈত্রবনি নশাদা
হেক হায়বগা তৌবনি,
অহিং নুংথিল খাক্তনা
কখোল্লবনি নঙদি
মীয়ামগীসু ওইনা
নশাগীদি ওইজবা খন্দনা।
অসুক কান্নরবা মরুপ
নঙগুম্বা লৈতে মালেমদা
মরুপ নঙনা লৈত্রবদা
করিনো মালেমদা
ওইহৌগদবা শক্তম।
শিনখিবা য়াই কনানা
ওনখিবা য়াই শক্তম
ওইগনি নঙদি লেংদ্রবা
শিবা নাইদ্রবা মপোক।
অসুক কান্নরবা নহাকসে
শিংনরুবা য়াদে-
থৌওই উশিত্তবা য়াদে-
কাঙলোন লানবদা শাউগল্লি
নক্করুবা য়াদে কনানসু।
মরীল খাবা মরুপনি
পাঙ্গল কনবদা
লম্বা লৈতবা মরুপনি
মীনুংশি চাওবা মরুপনি।
নঙনা শাউবদগী-
নঙবু লক্করুবা
কাঙলোন কায়না চৎলুবা
তাইবঙ ঐখোয়গী মরক্তা
লোমখ্রবনি পুন্সি, পিখন্নখ্রবনি
মশীং লাকঙমদনা।
হিংবীখো মরুপ নঙদি
তাইবঙ ঐখোয়গী মরক্তা।
লোয়নখিসি অসুম্মক
নুংতি খুদিংগী
শক্তি মঙাল পীদুনা
তাইবঙ মালেম অসিদা।

## থৱায়

**—রোমি তখেল্লম্বম**

খূৎতা মৈরা পায়রদুনা
চৎলি থিরি নঙবু ঐনা
ঙাইরি লাকখিনি খন্না
মায়কৈ ফাংনা পাইখ্রবা
হঞ্জিনফম খঙদ্রবা পোন্বীবু
নংহল্লোই কৈদৌনুং অৱাবা
লাংহল্লোই মৈশা নঙোন্দা
পীগনি মঙাল তাইবঙগী
চিংখৎকনি নঙবু লোকখাদগী
কোকহনগনি অমম্বা পূক্লিংগী
ঙালহনগনি মায়থোঙ মকা লাম
পুগনি লেন্ননা নরুপ নপিজা মরক্তা
নঙগী করি ৱাৎলুনি; মৈরাসিনা মুৎত্রিঙৈ।

## সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইদ্রবদি

**—নাওরেম মঙ্গি**

সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইদ্রবদি
মীতৈদি মীনাই ওইরগনি
মীতৈ লৈবাকনি খঞ্জরিবা
মীতোপ লৈবাক ওইখ্রনি
মীখা পোন্না হিংলনি
তুশোন মানশোন্না লৈরনি।
ফংফম থোল্লবা হকপু
পীয়ু হায়বদা কিরিবা
সেন্টরনসু য়ারদৌবা অসিদা
ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রিবা,
মীয়াম্না ৱানরিবা অসিবু
খঙশিন্নদবা শাদুনা লৈরিবা
তম্পাক্কী লৈঙাক্লোই খুদিংমক
কনাবু কিরিবনো নখোয়না
করিনো নখোয়না পাল্লিবা
মীতৈশিংনা মীখা পোন্না হিংবদুরা?
মীতৈশিংবু কঞ্জনবা পাম্বেদি
সেদ্যুল্ড ত্রাইব নত্তনা
অতোপ্পা পাম্বে লৈতরে
মীতৈশিংনা লৈখা তাবদা
নখোয়সু য়াওগনি খঙদ্রবরা?
নখোয়না পায়রিবা ফমথোলদো
মতম পূম্বগী নত্তেনে
তুংদা লাক্কদবা মীরোলনা
নখোয়বু তুক্কৎচনা য়েংলনি
নখোয়গী পাংদবা নতৌদো
অমুবা কালিনা ইহৌরনি
মীয়াম্না তিন শিংনদুনা
মীতৈ মান্দে হায়হৌরনি।

## লৈপাকলৈ

**—শ্রীরামেশ্বর লাইশ্রম**

কুচুনা লমঙানবী, মিৎয়েংনা লময়ৌবী,
পাঙ্গল শোনবীগী লৈতেংদনি পল্লিবা,
নথম্মোয়নুংদদি নথৌনা নরিংজেলগী থৌরবা থাঙ!
কল্লবা মালেম লৈতঙ্গায় থিনগায়দুনা
উৎলি নশক্তম অচৎ-অওকশিংদা,
য়েল্লি নুংশিবা লৈনম,
খাঙলি য়াক্ল-ওলাং মৈশা।
তেল্লবা পুন্সি মীকুপ পুংজাসিদা
ৱাংলেন মিৎকুপ অমত্তং শাৎচরল্লবসু
নুংশি নপাউ চেঞ্জবনা
লৈরাং নঙগী অপাম্বা;
ফজৈদা! লৈরাং নপুকচেল।
লৈপাকলৈ-ও লৈনুংশি
পোকচমলগী মহয় য়াল্লবী
তমজগে নতৌ
ঙমজগে পাংজবা শিন্থা নঙগুম।

## মীপূম খুদিং

**—এম নিলকুমারি**

মীপূম খুদিং শুফম নোম্ফম খঙদনা
মতম লেনফম খঙদনা
ৱানা খাংলিবরা শারবা কালেনগী নুংশাগী মৈশাদা
থবকনি থবক মহাক্কী মখোয়গী।
খ্বাইদগী থবক চিল্লি।
মিৎসু খোঙসু নাসু চিন্দবা য়াওদে।
লল্লোন পোৎ পুরিবা গঞ্জা-কানি লল্লোনপোৎনি।
পুগদবা মফম হোং হোংদুনা
চেঙ-চিনি-হৱাই নত্তে;
ৱাখল ৱায়-থবক ৱায় ৱারমলোই পামজবগীনি।
চেঙনা ফোৎচিল্লি লোন্না লোৎশিন্না পুই।
অদুবু মফম খঙদবা অমনা ফোং-ফোং ফাবীরে।
আইনগী থোঙজিন্দা লেপ্তুবা য়াদদুনা লেপ্লি মহাক
থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুবা লল্লোন পোৎনি-শেন্দাল লন্বীনি।
য়া-য়া ৱা-ৱা পাউচেগী লমায়গী লৈতেং
থবক চিনবা মানা পুরক্তুবদা খৌরাংনা ঙাইরিবা
মখোয়দি কোক্তা খূৎ হাপ্পরে
কনানা চুল্লিবা কনানা লাল্লিবা
চাংয়েং অমদি লৈরমগনি ৱার ওন দ্রগস
মহুৎ শিনবা য়াদবরা ওপিয়ম ৱার চাইনা
খন্ন-নৈনহৌবগী পাউনিলখোলনি।
ঙমই ঙমদে বোল খোঙ্গাওবী শান্নবগুম্বনি।

## মুক য়াওদ্রবা কলম

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐগী মুক য়াওরুদ্রবা
কলম অসে
ঙসিদি মুক অমুক
য়াওরে,
ইরগনি ঐগী ৱাখলদগী
থোরকপা ৱাহৈ খরদি
ফজবা, ফজদবা।
ইথিল পীরিবা মহাক্তো
অতৈ কনাসু নত্তে
মুক য়াওরুদ্রবা কলমসে
মুক অমুক য়াওরকপদুনি
নীংশিংলকখিবা মীকুপ্তা
খোৎচিনহৌদ্রবা ঐগী ৱাহৈশিং।
নীংথম থাগী অয়ুক্তা
লৈচিল নোংফাই থাংলম্বা,
কোরৌগী মশেক মঙাললনা
য়ৈরকপদা মমি শামখিবগুম
ৱাখলগী ঈহৌরকপা
ঈচেলবু নাথৈখিদুনা
ঐগী মুক য়াওদ্রবা
কলমগা পাঞ্জক ওইরে।

## মেরাগী থাবল

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

লৌচি কোইবদা ৱানরবা
লাংবন নুংশা তুংওইনরম
মেঙনা লাকপা মেরা থাগী
থাজ থানিলগী শক্তমসে
কয়াগী মতিক পূক্লিং নুংওল্লিবা
মীৎফম হোংবা ঙমদবমখৈ ফজরিবা;
অশৈবা অশৈবী কয়া কয়ানা
ঙাইজরকপনি চহী কুল্লাং চূপ্না
নুমিৎ অসিতবু ইখৌ লাংনা
লুপচগে খন্দুনা থম্মোয় পেন্না
নহাক্কী লুপা অহিংবা ফুদোংলবা
চাংজৌ চোল্ল ঈপাক্কী ঈরোলনুংদা;
চেঙ্গরল্লি মাগী মাগী খোর্জৈদগী
থম্মোয়গী থুপ্লবা লকানুংদগী
অতৎ অখম লৈত্র ঈচেল
নুংশি নুংওনগী, খাইন মৈশাগী
থম্মোয়গী শকয়েং মিংশেল ওইরিবা
থাজ থানিল নহাকপু য়েংজরগা;
অহিং অসিনা হৌখিদ্রিঙৈ
তূমিন্না লীজগে ৱারী শীংবুল
মক্তুবা থাজ নঙগী নফমদা
নাশোন পীক্না কনা তাহন্দা
কয়াগী মতিক নুংশিজখিবা ঐহাক্না
তাইবঙ ৱাংমদা চৎখ্রবী মহাকপু।

## তাইনরুগনি কনাদা

**—রাজকুমারি মীনা**

লৈরমগদ্রা খল্লি অসিগুম্বা মফম অমা
লৈফম খঙদবা, খাংফম খঙদবা।
মালেম অমা ওইবগী শক্তম মাঙশিল্লক্লবা
পূম্নমক মফম খঙদনা লাংতক্করি।

ফজরবা মালেমগী শক্তম্বু
থুগাইরি তত্তনা তমথীরবশিং অদুনা।
লাওরি খোংলি চৎলি হায়রি তূমিন্না
করম্বা মখলগী শক্তমনো খঙখিদে।

ফোঙদোকপা ঙমদ্রবা ঙসিগী থৌদোকশিং
খঙলমগনি উরমগনি নঙগী অরোনবা থম্মোয়দুনা।
অদুবু মায়কৈ খঙদনা পুখি হূমখি
খঙবীখিদে নঙনা, খল্লুবসু লৈতে উরুবসু লৈতে।

চৎলি নঙনা নঙগী থম্মোয়দু নুংশিৎ মপীগুম
হংজরুবা হায়জরুবগী ফংখিদ্রবা পাউখুম।
শিন্থরি পিরাং লেপ্তুনা, মোৎলবা নৈরবা মালেমসিদা
তাইনরুগনি কনাদা ঐগী ৱাহংগী পাউখুম।

মতম মতমগী ৱাখল

# মেরা থাউমৈ

অঙাং ওইরিঙৈগী মেরা থাউমৈ নীংশিংলকই। মেরা থাউমৈ থানবা মতমসে অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদদি নীংথম থা হৌরে হায়বা খঙই। নুমিদাং ৱাই লৈচিন থারকই। অয়ুক নুংথিল অনীমক ফজনা ঈংবা হৌরে। কুইনা উপুদা থমজিল্লুরবা ফুরিৎ অথাবা চিংথোকপা হৌই। শেগাইবা জর্সি ফোৎচিল্লি। লুম্বসিদি ফুরিৎ অমনবনা হেল্লি। তেরসিং (কেরোসিন) অঙাংবনা থাউ ওইনা লালটেনদা (লের্ন্টণ লেম্পতা) হাল্লগা মেরা থৌরি পাল্লগা নুমিদাংগী মতমদা মৈ থান্দুনা চীংখৎনরকই। অঙাং ওইরিঙৈগী খঙনরকপা, ঙাঙনরকপা লোল খরা নীংশিংলকই- তেরসিং থাউবু কেরোসিন থাউ হায়না খঙনরকই। লের্ন্টণ হায়বসি হায়বা থোক্তে ঐখোয়দি লালটেন হায়রকই। কবোক খোইদুম, কবোক খোইবাক, মেরা থাউমৈ মখোংদা কৎনৈ। নুমিদাং কৎখিবা হৈরুক মথংগী নোংঙানবদা কাইথোল্লগা চানৈ। নোং ঙাল্লগদি মেরা থাউমৈদু থৌরি চিংথরগা অমুক মুৎথৎলি। তেঙ্গালিনা পুংমু মুরবা লালটেন থাউমৈগী চেম্নিদু লৌথোল্লগা উৎনা, সোধানা লংত্রিক লংনা অমুক ফেংঙি। মসি নোংমখক্কী ৱা নত্তে। নুমিৎ খুদিংগীনি।





মেরা থাউমৈ করিগী থাল্লিবনো ঐখোয় খঙদে। নাৎ কলচর হায়বা থোইনসু থিরুদে। পুময়ান য়ানশিন্নরকই। ঙসিদি মেরা থাউমৈ থানখিবগী ৱারী লৈরম্মী। ৱারী তাবদা নুংশি। চীংমী তম্মীগী নক্লবা মরী,চান্ন-চিন্ননা লৈম্নিবগী ৱারী লোয়নবা য়াম্না সিম্বোলিক ওইবা থৌরম ওইরম্মী। অসিগুম্বা ৱারী ৱাখোং লোয়নবা থৌরমশিং য়াম্না লৈরি। ঐখোয় থোইনা থিরুদে,খল্লুদে। হৌজিক্তা অখঙ অহৈ ময়াম থোকলকই। তাকপীবা ঙম্বা ওজাগী মশীং য়াম্না হেনগৎলকই। ৱারী ৱাখোংশিং অসি মীপূম খুদিং খঙনবা ঙন্না পুথোকপীরম্লগদি হৌরক্লিবা নাৎকী মরমদা খঙজনিংবা মহৈরোইশিং নৎত্রগা থৱায় য়াওজবা মীওইশিং হেন্না চোংথোকলম্বসু য়াই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ শুন্মাং লীলা নুংঙাইবা য়াম্না য়েংলকই। ইম্ফালগী সিনেমা হোলশিং মীনা কৃক কৃক ইন্নৈ,ইন্নবসু য়াওরু ই। সিনেমাদা নত্তে ইম্ফালগী রুপমহল থিয়েটর, অরয়ান থিয়েটর, এম ডি ইয়ুদা দ্রামা চেরিটি শো য়াম্না তৌনরকখি। গান্ধী মেমোরিয়েল হোল ঈশৈগী কনসর্ট, ম্যুজিকেল নাইটস য়াম্না তোয়না পাংথোক্লখি। গান্ধী মেমোরিয়েল হোল ইম্ফালগী খ্বাইদগী ফজবা হোল ওইরম্মী। হোল অসিদা কুম্ক্নে নৎত্রগা থৌরম য়েংবা চৎনবা অরেম্বা ওইরকই। ঙসিদি গান্ধী মেমোরিয়েল হোল কৌবা অমা ইম্ফাল ময়োন্দা লৈরি হায়বসি কাওখিবা কুইরে।

ঙসিদগী চহী নিফুগী মমাংদা চৎনরম্বা শাজৎকা, হৈরম্বা মহৈগা, পাংথোকলম্বা কুম্ক্নে ফিয়োংগা, হরাউ কুম্ক্নে ওইরগসু পুম্নমক অহোংবা ঙাক্তনি। ঙসিগী মীরোল হায়গদ্রা মতম খরগী মমাংগী পূন্সি মহীংগা ঙসিগা য়াম্না খেন্নবা উরি। খঙবা হৈবা থুবসি হৌজিক, ঙসিগী মীরোলনা হেল্লি। অনৌবা টেক্নোলোজি, এদুকেসন সিষ্টেম কয়া অসিনসু হেন্না খুন্মাং চাওশিল্লকপদা মতেং ওই। লাইরবা ইনাক খুনবা হায়বা খেন্নরকত্রে মীপূম খুদিংমক মপান থোক্লবা মীরৈবাক মীরম চৎতুনা মহৈ তম্বা হেনগৎলকই। চহী নৌরিবা অঙাং অমা মথন্তা প্লেন তোংলগা দিল্লি, মুম্বাই বেঙ্গলোর চৎপা ঙমলে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা চিঠি থাবদা ইনলেণ্ড লেটর, পোষ্টকার্দ তা ইরগা থারকই। খরা থুবা পাউ থাবা ওইরগনা টেলিগ্রাম তৌবা চৎনরকই। পৈশা থাবদা মণিওর্দর ফোর্ম লৌরগা থায়। খরা অথুবা ওইরগনা টি এম ও হায়না মথক্তা থারগা পৈশা থাবা চৎনরকই। নয়া পৈশা ১০গী নৎত্রগা শিকি অনাগী মমল (ভেল্যু) ৱাংলম্মী। চনা মঙ্গল অপোকপা নয়া পৈশা তারাগী লৈবদা ফুরিৎখাও পিক থল্লি। ময়াম য়েন্নরগা চামিন্নবদা কোন্নৈ। মঙ্গল চনা লৈবদা ঙসিদি কৌতাদা ওল্লগা পীরকত্রে পেক্টেত্তা পোৎ খুদিংমক মমল তাঙনা লাক্লে। অরূম্বা ওল্লগা পোৎ য়োল্লে। য়েরুম অমদা নয়া পৈশা ২৫ পীরম্বা লুপা ১০ পীরে। মতম অমা চাক্কী মহুৎতা তন চারগদি লাইরবা অনংবা ইমুং ওইনা লৌনরম্মী। ঙসিনা ইনাক খুনবনা তল চারে। তন চাবনা হকচাংদা অফবা ওইরে। য়ুমথক্তা পংপানদা পানবা লেম্না মীঙোন্দা পীনরম্বা খোংদ্রুম, মাইরেল, তোৰ্ব্বোৎ তাঙনা তাঙনা কৈথেন্দগী লৈনরে। চাবীনবা লৈতবা মুল্লগা মখোংদা কেল্লগা পংতা তাবা পুংথোন, হৈখা, হৈনৌ, চমপ্রা ঙসিদি মমল ৱাংলে।

নুমিদাংৱাইগী মতমদা পাৎয়া, ৱাপল্লক্তা কুফেৎ কাফেৎ পাইরম্বা তন্দন পাইবা উখিদবা কুইরে। অঙাংশিং তন্দন মশক খংদে। বামোনগী মান্দপশিংদা নুমিদাং লাই গৌরি তৌবগী কাংশি থাপ্তুক্লা খিংলকপা নুংশিবা মখোলসু তাখিদবা কুইরে। মৈতৈ বামোন কাংশি পায়নদ্রে কাংশি অচৌবা খিংখিদরে। বামোনগী কাংশি মখোন সুংতাবু তাখিদ্রে। ঐনা খ্বাইদগী নুংশিবদি থাপ্না তাবা বামোনগী কাংশি মখোলগা অথাপ্পদগী খোংলকপা মাইক্কী ঈশৈগা অনীসিনি। ঙসিদি তাখিদবা কুইরে। ৱা অশাংবদা মাইক্কী হোরোল অনী মনিং মমাং য়াল্লগা মফম অমদগী মফম অমদা হেক্তা খোংলকপা থাপতক্লা তানরম্মী। পাউ থুনা লাকই, মচা নুপা অহানবা পোকপগী শুন্মাং লীলা লৈ। থাঙ্গা মঙ্গোলজাওগী খোংজোম পর্ব্ব লৈ, বাশোক লৈ, পাসখেলা লৈ। মেরা ৱায়ুংবগী মেরাগী ৱারী লীবা লৈ, খুবাক ঈশৈ লৈ। হৌজিক চৎনরিবা অসিনা করিনো করম্বা পূন্সি মহীং অমদা করম্বা চাউখৎপগী লম্বী অমদা ঐখোয় চৎলিবগে?

হোস্পিটাল লন্নাই য়াম্না লীংখৎনরকই। লায়েংবা হৈবা ডাক্তর অফবা য়াম্না মণিপুরদা থোকলকই। অনাবগী মখলসু অনৌবা ডাক্তর অফবা থোকলকপগী মতীক লায়না মমিং তাবা হেনগৎলকই। ডাক্তর অফবা, হোস্পিটাল অফবা মশীং হেনগৎলকপগী মতীক অনাবা মীগী মশীং হেনগৎলকই। অনাবা অমা ডাক্তরদা লন্নাই য়েংলুবদা অয়েংমল লুপা চামঙানা হৌই। সাইকল একাগরি শেম্ফম, সাইকল ট্যুব হোরগা ফোৎফম লৈরক মচিন খুদিংগী লৈরম্বা মণিপুর, ঙসি সাইকল শেম্ফম উখিদবা কুইরে। লাইরিক তম্বা কলেজ কাবদা একাগড়ি থৌনরম্বা, মৈতৈ পাখং, লৈশা ইঞ্জিন পানবা গাড়ি মচা অচৌবা লোইনা তোংখৎনরে। একাগারি থেংজিন্নবগী পাউগী মহুৎতা গাড়ি থেঙ্গাইনবা মীশি মীনা থোকপগী পাউনা হেন্না তারকই।

লৈরক মচিন্দা লৈকাইগী পোৎফম ফম্বীশিং অবোকশিগী, ইনেগী পাকনম, শীংজু, হৈঙাল য়োলম্বা লুকমাই পাল্লম্বশিং লৈখিদ্রে। লম্বী মতাই খুদিংদা মৈঙাল থাল্লগা অঙৌবা, অতাওবা য়োনবা যখলাবন্ধা মানবা অচা অথক য়োনবা ময়াম্না পরেং লেংখৎনরক্লি। অরু অনানগী মশক্তি ফজনা উরে, পোৎয়ানগী থবক্তি লেপ্তে। মেরা থাউমৈগী নুংশিবা শুন্মাং খুদিংগী মৈ থানবা লম্বী লমজাউ চৎপদা উরম্বদো লৈঙাক্লা থানবীবা লমজাও সরক্কী মৈঙাল, প্রি পেদকী য়ুমদগী থান্নরকপা এল ই ডি বল্বকী মৈঙাললনা অমত্তা উবা ঙমখিদ্রে। মৈ ঙানবগী নুংঙাইবদি ফংলে হায়ববু নুংশিবা মতৌদি মাঙখ্রে। নুংশিবা ঈশৈ তাদবা কুইরে। 'শুন্মাং খুদিং মেরা ৱা, থাউমৈ পরেং দিৱালি, জয় জয় রাধে গোবিন্দ রাধে ।।' শক্লখিদবা কুইরে।

হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা নিংঙোল চাকৌবা লাক্লনি। হিন্দু বৈষ্ণবশিংগী রাস লীলা গোবিন্দগী মান্দপ্তা শান্নবা তারক্লগনি। চহী খরা লেপ্লুরবা অনৌবা কুম্ক্নে সঙাই ফেষ্টিভেল পাংথোকলক্কদৌরি। শারম্বা নুংশাগী মৈশা হনখিদুনা অঙৈংবা নুংশিৎ শিৎলরনি। নিংথম থা থুংলরনি মেরেদগী পুশিল্লকপা য়োংচাক গাড়িশিংসু থাররনি। হৌখিবা চহীদা কোভিদনা মুনবিখ্রবা থৱায়শিংগী কুমওন থৌরম তাবা ইমুং মনুংসু ফনা য়াম্না য়াওরমগনি। নুংঙাইবা কয়াসি নুংশিবা ইমুং মনুং কায়নখ্রবা মখোয়গী মফমদদি পূম্নমক অরেম্বনি। নীংশিংলকই কোভিদনা কায়নহনখ্রবা মরুপ মপাংশিং নুংশিরকই।

অসুক নুংশিখ্রবা পীকখ্রবা ইরমদম মণিপুর অসিদা থোকখ্রিবা থৌদোক ৱাথোক ময়াম মতম অমা চৎনরম্বা তৌনরম্বা হরাউ কুম্ক্নে ময়াম অসি ঐখোয়না নীংশিংদ্রিবসিনা করীগীনো? মীগা মীগা য়েংথিনরিবা, অমনা ঙাঙবা অমনা তানিংদ্রিবা হায়নীংবা ঙাঙনীংবা ঙাঙনরিবা ময়ামসিনা করীদগীনো? হোংলকলিবা অহোংবা ময়াম, মীওইবগী ৱাখলদা খল্লক্লিবা অওনবা ময়ামসিনা কদায়দগীনো? ডাক্তরনা পাউতাক পীরকই শাজেল চাং নাইনা তৌবীয়ু, চাবদা চিনী, থুম হন্থবীয়ু। পাউতাকসিনা ঐখোয় নাদবা ঙমগদৌরিব্রা? ডাক্তরগী পাউতাক কনানা ইল্লিবগে? খল্লি ঐনা খল্লি, মরকসিদা খল্লি নাৎ চৎনবী, লাইনীং লাইশোন, অরীবা লাইরিক লাইশু পাবা, নৈনবা, মতম অমগী লীলা দ্রামা, জগোয় ঈশৈ ময়ামগী মরমদা। খঙহৌদনা লাকপা মোইবাইল ফোনগী রিং তোন্না মরক থৎখি। পায়খৎলুই- ঐগা তিন্নজবা নুংশিরবা ইয়াম্বা অমা অই সি ইয়ুদা লৈরে হায়বগী পাউ ওইরমখি। মহাক ফরকপা ওইসনু ।। ●

**—মাখোনমনি মোংসাবা**

ৱারী ককনাউ

# মঙদা মোন্দ্রং

"তামো খূৎসে অমুক্তা শন্বীয়ো, ঐ য়াম্না ৱারে" অঙম্বা চীংদু কাবদা শদৌ থোংলবী ওইরসু মায়থোংগী তঈং-তঈংবী ফজবগী মমি মাঙদ্রিবী থোইবীসনানা পুপ পুপ লাওরবী তনৌবী মখূৎতু তিংথোক্তুনা মোমোন্না হায়রকপদুদা নুপা ওইরিবা পাঙ্গল কল্লে মুকচরিবা ঐনা করম্না মখূৎতু পায়রগা ঙম্ফাত্তবা চীংগী লম্বীদুদা শম্মোইদৌরিনো? "কদাই...কদাই, শন্বীগেসে..." সরতনা থোইবীসনাগী মোল্লবা মখূৎতু পায়রগা হরাওনা শন্বীদুনা চীংদু কামিন্নরি। সরত মোন্দ্রংগী তাইবঙ অমদা চৎপগুম মাগী ৱাখলদু মচেৎ মচেৎ মাঙলি-মাঙলি তৌরকই। নোমহৌ নোমহৌ চৎলদুনা মঙগী তাইবঙ অমা শাগৎলকই,

"শুক নুংশিখ্রবী, শুক মোনখ্রবী খূৎসি কনা অমত্তদা শিন্নরোই ঐগী থৱায়সিনা হেক লৈরিমখৈ মহাকপু শুংথা থাদোক্লরোই।" সরত কনাসু কিরক্তে, থোইবীসনাগীদমক থৱায় থারগে খল্লকই। মহাক্কী মমিৎতা চৎলিবা উরিবা মী পূম্নমক সুম সুম পিকশিনখিদুনা মানা ইচাও চাওবগুম খল্লকই। মঙলবা মমিৎতুনা থোইবীসনারোমদা হায়ফেৎ য়েংলুবদা, থোইবীসনানা নোকফেৎ তৌনা রাশিনা চদুম চদুম পল্লগা মচিন মচাদুনা কাংলপ হায়রকপদু মুন্না তাজরি।

"ৱারম্মনি, সে খূৎসে থাদোকপীরো?"

"ৱাদেদা" ইপা পাখৎনা মখূৎ নাম্থোকখিনি মতাগুম খরা কল্লপ্তুম পায়শিল্লি।

"অয়ো ইমা, নাইয়ে কৈগীনো অদুক কন্না পায়রিদুবু?"

"নাবরনে, সোরি সোরি" লোইরে অমুক্তোইবা সরততু অৱাৎ অপা লৈত্রবা চানীংবতা চারবা, তৌগেতা ঙল্লবা নিংথৌদু ঙাইরে। থোইবীসনাগী মখূৎতু হেন্না চেৎনা পায়শিল্লদুনা মুরৈনরবা কুচুদুনে, ফৈজৈনরবা মায়থোংদুনে নোকফেৎ কা তৌজরিপোৎনি। মথন্তা মপূক্লিংদা পোংজরকই,

"থীজরসু ঐসি মরাসি অমদি লৈবজাৎনি। থোইবীসনানা ঐসে নহানখৈ পামদি য়াম্না পাম্মগা, তাঞ্জা অমা ইচা চাদদুনা ফোঙদোকপা ঙমদদুনা লৈরম্বজাৎনি। হৌজিক্তি মহাক্কী অশেংবা থম্মোয়দু ঐঙোন্দা পীথোরক্লে। ঐসে, ঐগী শকসে অদুম য়াবজাৎনি"। কদোমদগী হাইজিল্লক্লিবা নাপলনো খঙদে বুং লাওনা কাখৎলকই। সরত নুংঙাইবৈ জাৎতা লোইরে। মঙোন্দগী হেন্না নুংঙাইবসিবু তাইবঙপানসিদা কনাবু লৈরমগদগে? অসুক নুংঙাইনা চৎলিঙৈ তাঞ্জাদুদা লম্বীগী নাকলদা লৈবা মোংশোং অমদগী মমিৎ লংত্রিক লংবা কৈজেংলাং পুংকক চাওরবা মোইগী ময়ূমদা লোয়বা হুইমুক চাওরবা অমনা, মমাঙ ওইরপনা ঙংলগা, "নুপীদু থনম্মু নৎত্রদি নঙ চারনি" হায়বৈ টাইপতা অমুক্তং ময়াদু হিগৎলগা ঙংলকপদু সরতনা থোক হেক উরুরে। অহানবদদি থোইবীসনাগী মখূৎতা কল্লপ পায়রগা থোইবীসনাবু মাগী তুংলোমদা হাইরপ ইন্থোক্লগা, মৈতৈগী সরিৎ সরাৎকী পোজদা খোঙফম চেৎনা লেপ্পগা মখুউ অনীগদু কোল্লপ তৌরগা থোংখোং শাদুনা লেপ্পগা লৈ। কৈদু হন্দে, অমুকসু হেন্না হৌনা ঙংলকই, মশাদু সরত তম্না চোঙশিল্লক্কে মতাগুম হায়ফেৎ লেংলকই। অনীমক্না ফীভম শেম্নরগা ঙাইহাক মুক্নে। সরতসু মুক্তুনা ঙাইহাক য়ারগদি হায়দুনা মুকনৈ, মুকচৈ হায়দু ঙাই, মখোঙদু মাঙলোমদা চঙশিনবগী মহুত্তা তুংলোমদা নোল্লি নোল্লি খজিক খজিক হল্লি। কৈদুদি হেন্না হেন্না ঙংখৎলকই, দিজল ইঞ্জিনগী গাড়ীনা অয়ুক্তা ষ্টার্ট তৌবদা খরা খরা হৌরকপদগী দু-দু হায়না হেন্না ঙংখৎলকপা অদুগুম্না। অদুগা ফীভম শেম শেমদুনা চঙশিল্লকই। অনী অদুনা অমসু হন্নদা অমসু হন্নদা মুক্লরকপদা, সরতকী থম্মোয়দা তিং লাওবা মীহুল অমা কাখৎলক্তুনা মাগী ৱাখলদা পাউ অমা থোক লাউনা পীরকখি। "নঙ শোয়দনা কৈসিনা চাদনা শিরনি, চেলহৌরোনে"। পাউ অদু হেক মাগী ব্রেনদা তম্লুবদগী, সরত মমিৎতু নাকন য়েৎলোম ওইরোম হাইরপ হাইরপ য়েংলম্লগা চেৎনা পায়রম্বা থোইবীসনাগী মখূৎতু থোক থাদোক্লগা অমুক্তং হোৎতুনা চেনখিববু, কয়াদি ফজৈ। লিননা উমগদগী ময়া কাথোক্তুনা তান্নরক্লবা হঙোইনা গো গো হায়না মখোঙ লাওনা থাংলগা চেনবদু হেক ঙাই, কয়াদি ফজৈ। সরত ফনা শাংনা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা চেল্লক্লে। চীংখোঙ লাম্থোক্তুনা ময়ূম ময়া য়ৌদৌরে, মখোয়গী লৈরক মচিনগী খোংনাং মখোঙদুদা হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলবা শ্বর চনীং শম্নদ্রবদু পীৎ পীৎ হোল্লগা ঙাইহাক পোথাই। খল্লি, ইস শিরমদৌবা শম্নাদা লিৎলিদা, মাগী নাকন্দা থোইবীসনাদি লৈরমদ্রে, মাগী নুংশিজরবী থোইবীসনাদু শোয়দনা কৈনা চারম্মনি হায়না খল্লকই। নুপা থোক্না অমুক হন্না চৎলগা কৈদু হাৎলুরসিরা খল্লকই। "কৈদু মবুক থনফাৎত্রি হায়না ঐবু অমুক চাখ্রদি কমদৌবা" হায়না হেক খল্লুবদা মহাক খোংনাং মখোঙদুদা লেপ্পলম্বদগী জররর লাওনা ফমথরকই।

তাঞ্জাসিদা সরত মীকপ খংথোক থোরকই। মশাদু হুমাংনা পুমলুপ লুপ্তুনা লৈরম্মে। খোংনাংসু লৈরমদে, ফমুংগী ফক্লাং ময়াদা নপ্তুনা চেপ্পগা লৈরম্মী। মমায় লৈথোক্তুনা য়েংলুবদা মাগী ফমুংগী ফমাংদা থারিবা টেবলদুদা হ্বিস্কি বোট্টল অমা চেপ্পগা ইহাঙ হাঙনা তারম্মী। তেঙ্কোৎ অমদা ঙরাং মানা ঙৌবা কাংহৌ খরদু স্পুন অমা থিজিল্লদুনা ইচাই চাইদুনা তারগা লৈবদু সরতনা উই।

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।